হুইয়েন লানপাঊ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses

থাংমৈবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টাকদো)না শীন্দুনা ললাম্ফু মখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম



ষ্টেট কলা একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা হৌজিক হৌজিক ট্রেনিং চখরিবা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল সার্বিসতা থবক তৌরিবশিংনা নুপীলাল মেমোরিএল কমপ্লেক্স শেংদোকপগী শক্তম



নিংঙোম্বম শাগে দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না মমাঙ চহীদগী পাঙথোকপা হৌখিবা শাগে অসিগী অফবা মহৈরোয়শিংদা পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম হৌদোকপা



দেসাম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলনা শীন্দুনা লল্লাই এ সীগী মনুংদা লৈবা লাইরিক-লাইশু ফবা মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী শক্তম



Vol. 40, Issue No.101 | নোংমাইজিং, ঈঙেন ৬নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, July 10, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৮০°c | ২৩.৫১°c |
| চান্দেল | ৩০.৭৮°c | ২৫.৪৬°c |
| সীসীপুর | ২৮.৪০°c | ২১.৭০°c |
| ইম্ফাল | ৩০.৩২°c | ২২.৮৮°c |
| সেনাপতি | ২৭.৩১°c | ২২.০৯°c |
| তমেংলোং | ৩০.৫৬°c | ২০.৯৬°c |
| থৌবাল | ২৭.৫০°c | ২২.৯০°c |
| উখ্রুল | ২১.৮৪°c | ১৭.৪৬°c |
| মণিপুর | ৩০.৭৮°c | ১৭.৪৬°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৫৮এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## এৱার্দ পীরক্লে



ইম্ফাল, জুলাই ০৯ : ইন্দিয়াগী অহানবা হেন্দলুম দিজাইন দিভলপমেন্ট এৱার্দ, ২০১৫ মণিপুরগী চিরোম ইন্দিরা (৪৫)না ফংলে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হেন্দলুম দিজাইন এৱার্দ অসি মমাঙ চহীদা অহানবা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলনা শেমখিবনি। লেমজ-নিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ফংলকখিবী ইন্দিরা থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকায়দা লৈবা চনু ক্রিয়েসনগী মপুনি। মসিগী মশা অমসু ন্যু দিল্লিগী বসন্তকুঞ্জদা লিংদুনা মীওই কয়া থবকপীরি। মপান লৈবাক্তসু সপ্লাই পীবগী থবক চথরি। হেন্দলুমগী ফিনা শেম-শারবা হোম ফর্নিসিং আইটেম কয়া, কুসন, টেবল রন্নর, থ্রোজন-নচিংবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## গুনেশ্বরনা রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওইরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ : হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, থৌবাল ওইরিবা এ গুনেশ্বর শর্ম্মনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওইরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা হায় কোর্ট মণিপুরগী হৌজিক হৌজিক ইন-চার্জ পুরিবা গোলমৈ গাইফুলশিল্লুনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজগী থৌ পুরিবা সলাম ইমোচানা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ওইরগনি। মরক অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ওইরিবা এম মনোরঞ্জননা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজগী চার্জ পুরগনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সী জে এম ওজেস মুতুমনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজগী ইন-চার্জ পুনবসু খনখ্রে।

## HL POLL

**Q : MLA singna meritorious award yenbada thawai yaoribasi maheiroi semningbagi wakhallon natte?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q : DIPR na sinba Head of Department sing gi media interaction program pukning thougatningai oibara?**

Yes 60% No 40%

## অস! লোইরেহে!

চেঙ শুনা পীবিয়ু সার...!



অমত্তা ফংলোইদৌ শরুক খরা ফংলিবদু নরাইবক ফৎত্রা...!

---

পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফমদা লৈঙাক্লা দ্রাফট বিল পুথোরকখ্রে

# অখণ্ড-অহৈশিংগা হান্না তানখিনবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা চ্যের লৌদুনা চীফ মিনিষ্টরস সেক্রেটেরিয়েটতা ফমখিবা মণিপুরদা বেজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নবগী মীফমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবনি হায়বা দ্রাফট বিল অমা পুথোরকখ্রে।

ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফমদা শরুক য়ারুবা মশক নাইবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুথোরকখিবা বিল অদু লোগী লমদা খঙ হৈরবশিং অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মরমদা মরিক চুম্না খঙবা লৈবাকসিগী মশক নাইবা মীওইশিংগা তানরবা তুংদা অহোবা লৈহন্দবা বিল অমা হান্না ওইহন্নবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোক্লমখি।

তঙাইফদ্রবদি মমাঙদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবা অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা সেন্টরনসু মতেং পাংগনি হায়না হায়রকখিবনা মরম ওইরদুনা বিল পুথোক্লমদাইদা হোম মিনিষ্ট্রিগী অখণ্ড অহৈশিংগসু হান্না তানবনা ফগনি



হায়নসু তোঙান তোঙানবা পার্টিগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোক্লমই হায়রি।

লৈঙাক্লা পুথোরকখিবা দ্রাফট প্রপোজেল অদুগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংগী ওইবা অপাম-পামদশিংগী মোত লৌখি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা মমাঙদা পাস তৌখিবা দ প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল, ২০১৬ প্রসিদেন্টনা ৱিথহোল্ড তৌখিবা মরম্না নৌনা দ্রাফট অমা তৌরকখিবনি। মমাঙদা পুথোকখিবা বিল অদু য়াখিদবনা য়েলহৌমী কনবগা মরী লৈনবা অনৌবা বিল পুথোক্লবগীদমক হোৎনরকখিবনি। লৈঙাক্লা নৌনা পুথোরকখিবা দ্রাফট প্রপোজেল অদুদা বিলগী মমিং হোংবতা নত্তনা মমাঙদা য়াওরমদবা কয়াসু হাপচিল্লকখ্রে। দ্রাফট প্রপোজেল বিল অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং ঙসিগী মীফম অদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

কন্সটিট্যুসনেল এক্সপার্ট অমদি লোগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়াগসু উনদুনা নৌনা পুথোক্কদৌরিবা বিল অসিদা অশোয় অঙাম লৈতনবা হোৎননবসু য়ানখি। মমাঙদা পুথোকখিবা বিলদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবশিং য়াওনা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা খন্ন-নৈনবগী থবকসু পায়খৎনবা মীফম অদুনা য়ানখি।

য়েৎনবা লৈতনা য়ানবা বিল অমা ওইহন্নবগীদমক তঙাইফদবা থবক থৌরাং খূদিংমক পায়খৎনবা ঙসিগী মীফমদা মোত পীনখি। দ প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল পুথোকপা মতমদা বেজ এয়র ১৯৫১গী ৱাফম য়াওখিবা অদু অনৌবা বিল অসিদা করি হাপকদগে হায়বদুসু খন্নখি। বেজ এয়র অসি ১৯৭২ জন্যুৱারী ওইনবগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফম মখা তানা খন্নখি। দ্রাফট বিল মপুং ফানা শেম্বা লোইরবা মতুংদা বেজ এয়রগী ৱাফম হাপ্পনা ফগনি হায়না পোলিটিকেল পার্টি খরগী মীহুৎশিংনা মোত ফোঙদোক্লবা য়াওখি।

লৈঙাক্লা পুথোরকখিবা দ্রাফট প্রপোজেল বিল অসিগী মতাংদা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা উনদুনা অপাম-পামদা তাথোক তাশিন তৌবগী তাঞ্জা লৌখিগদৌরি। কন্সটিট্যুসনেল এক্সপার্ট...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

---

# ‘বিল পুথোক্লবা হোৎনরিবসি ট্রাইবেলশিংবু ঈকায়বা পীবনি’

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : এন্তি-ট্রাইবেল বিলশিংগী মতাংদা লৈখায় তাদবগী ফীভম লৈরিঙৈ অমসুং অদুগুম্বা বিলশিংদুগী মায়োক্তা হৌখিবা ঈহৌদা থৱায় থাখিবা ট্রাইবেল মাপনগী হকচাংশিংবু ঈকায় খুম্ননা লৈরোন চনবা ঙাইদুনা লৈরিঙৈ তাল্লকসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা অনৌবা বিল পুথোক্লবা শেম-শাবা হায়বসি থৱায় কৎখিবা ট্রাইবেলশিং অমসুং মণিপুরগী ট্রাইবেল মীয়াম ঈকায়বা পীবনি হায়না জে এ সী এগেনষ্ট এন্তি-ট্রাইবেল বিলনা শীন্দুনা ঙসি চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকখিবা পব্লিক কন্সল্টেসন মিটিংদা ফোঙদোক্লখ্রে।

জে এ সীনা শীনখিবা পব্লিক কন্সল্টেসন মিটিং অদুগা মরী লৈননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি মদুদি, মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওং অসি য়েংদুনা কন্সল্টেসন মিটিং অদুনা জে এ সীদা মখা তানা ট্রাইবেলশিংগী লম, রাইটশিং অমসুং আইদেন্টিটিগী ঈহৌবু লূচিংনবা শীন্নখ্রে।

মীফম অদুনা জে এ সী, মণিপুর ট্রাইবেলস ফোরম দিল্লি অমসুং আউটর মণিপুর ট্রাইবেলস ফোরমনা ট্রাইবেলশিংগী লম, রাইটশিং অমসুং আইদেন্টিটি কঞ্জনবগী চঙশিনবা খোঙজংদা লৌখৎখিবা খোঙথাং কয়াবু থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।



লোয়ননা মণিপুরদা ট্রাইবেল মীয়ামগী চৎনবা য়াবা পোলিটিকেল ওটোনোমি/সোল্যুসন অমা পুরক্ত্রি ফাওবা ট্রাইবেল মীয়াম্না খোঙজং চঙশিন্নবগীদমক্তা লেপকনি।

কন্সল্টেসন মীফম অদুনা হৌখিবা জুন ২১দা ট্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুটতা ট্রাইবেল য়ুথ কাউন্সীল মণিপুর অমসুং ওল ট্রাইবেল লোয়র্স ফোরম মণিপুরনা তাখিবা রিজোল্যুসনশিং অদু শৌগৎখ্রে।

রিজোল্যুসনশিং অদুদা জুন ২০বু হিলস পিপল দে হায়না লাউথোকপা, মণিপুরগী ট্রাইবেলশিংনা মথং চহী কুমজা ২০১৭কী এসেমব্লি মীখলদা ট্রাইবেলশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌনবা শেম-শারিবা মীওইশিংদা শৌগৎপা, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)শিংগী মপুং ফাবা ওটোনোমিগীদমক মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নবা, শেল-থুমগী লমদা চীং-তম থোং মান্ননবা ট্রাইবেল মীয়ামগী লন-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা অমসুং মথং চহী হায়বসি কুমজা ২০১৭কী এসেমব্লি মীখলদা ট্রাইবেলশিংগী এপেক্স বোদিনা এন্তি-ট্রাইবেলশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা হৌজিক লৈরিবা ট্রাইবেল এম এল এশিংদা ট্রাইবেল ভোটর অমত্তনা ভোট পীদবা হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

পনবা য়াবদি, চুড়াচান্দপুরদা হৌখিবা মীয়ামগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা ট্রাইবেল মাপনগী হকচাং নুমিৎ ৩১৫নি শুরবা ফাওবা লৈরোন চন্দ্রি।

---

# বেঙ্ক লুট তৌবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মুতুম গান্ধী য়াওনা মীওই মরি পুলিসতা চঙজরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ থৌবাল অথোকপম অৱাং লৈকায়দা লৈবা হাউসিং দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন (ঐচ দি এফ সি) বেঙ্ক লুট তৌবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মুতুম গান্ধী য়াওনা মীওই মরি ঙসি নুমিদাং য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পি, ও হেমন্তদা চঙজরকখিবগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা মী ফাগদবা লৈশিল্লক্ত্রে হায়রি।

প্রেসতা ফংবা পাউগী মতুংইন্না, ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক পুলিসতা চঙজরক্লবা বেঙ্ককী লুটর মরি অদুদি চরাংপাৎ ময়াই লৈকায়দগী মুতুম গান্ধী এলিয়জ রোবিন এলিয়জ ইবোচৌ (৩০) অপোকপা এম কলামু, চরাংপাৎ মনিং লৈকায়দগী নহাকপম অতাং এলিয়জ রোমেশ (২১) অপোকপা নোংবান, চরাংপাৎ ময়াই লৈকায়দগী থিয়াম মুনান (২৪) অপোকপা টিঐচ ইনাওবীনি। অতোপ্পা একুজ অমদি চহী ১৭ তা ঙাইরিবা অঙাং ওইবনা মহাক্কী মথক্তা করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বা ঙসিগী ওইনা লেপথোক্লদ্রি হায়রি।

মখোয় মরিগী মনুংদা মুতুম গান্ধীদগী অঙাংবা মচুগী পলসর অমসু ফাগৎলে লোয়ননা থিয়াম মুনাল হায়রিবা মীওই অসিদি ভি দি এফ পার্সনেলনি হায়রি। পুলিসনা মখোয়দা মখা তানা ৱাহং পাউহং চখবদা মখোয়না লোৎশিল্লম্বা সনা অমদি শেল খরসু ঙসি নুমিদাং অথেংবদা পুলিসনা ফংবা ঙল্লে হায়রি। অদুবু চপ চাবা মশিংদি খঙবা ঙমদ্রি।

ঙসি নুমিদাং য়াইরিপোক পুলিসতা চংজরক্লিবা মীওই মরি অদুগী মনুংদা মুতুম গান্ধীদি লুট তৌবা অদুগী মাষ্টরমাইন্দ ওইবনি হায়না থাজনরি। মখোয় মরি পুলিসকী খুৎতা লৈরবা তুংদা মখোয়না শেল অমসুং সনা লোৎশিল্লমই হায়রিবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথনবা থৌরাং তৌখ্রে। ঙসি অহিং চুপ্পা পোৎলমশিং অদু ফংনবা হোৎনগনি হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

---

# বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহ মথং থাদা লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহসু ওগষ্ট ১৫গী মমাঙদা ইম্ফালদা লাক্কদৌরি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী কনভিনর থৌনাওজম চাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙূ চিথেক লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্লা হায়খি, নেসনল প্রসিদেন্টনা লাকপা অসিদা বি জে পিনা শীন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। করম্বা মফমদা পাঙথোক্কদগে হায়বদু চপ চানা লেপ্পদি লৈত্রি।

কোওর্দিনেসন কম্মিটি বি জে পি কুম্বীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা টি ঐচ চাওবনা হায়খি, ফূদ সিক্যুরিটিগী চেঙ হুরানবশিং থিগৎলগনি, লেম্না থারোই। মণিপুরদা ফূদ সিক্যুরিটিগী চেঙ নীংথিনা ফংদবা অমদি কার্দ ফংদবগী মতাংদা মফম কয়াদা ঈরাং থোক্লি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা থৌরাংশিং পায়খৎপগী মমি তাদে। চেঙ মরাং কায়না লৈ হায়রগা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাং শুনা ফংহন্দে। ফূদ সিক্যুরিটিগী চেঙ হুরানবশিং চপ চানা থিগৎলগনি, লেম্না থারোই।

কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা পাল্লকপা অসিদা মীয়াম খমথেংনা ৱারে। মসিদগী হেন্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়া শেল লৈত্রবদি থবক ফংদবগী ফীভমদা লাক্লি। থবক হাপ্পদা শেঞ্জা-থুমজা তৌবনা মরম ওইরদুনা শেল লৈজদবা মহৈ-মশিনদি মপুং ফানা হৈবা মীওই কয়াদি অৱাবা ওইরি। ষ্টেটসিদা মীয়ামগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং লৈঙাক্লা নীংথিনা পায়খৎপীদে। লম্বী-থোং য়াওনা য়েংলু য়েংলুবা হীরমদা অৱাৎপনা থল্লি। লায়রবশিংগী-দমকনি হায়না থাদরকপা চেঙ ফাওবা য়োম্থোকপগী ফীভম অমদা লাক্লে।

কোংগ্রেসনা লীশাং শীৎনা চথরকপা থৌওংশিং অসি মীয়াম পেন্নদ্রে। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা মরাই চাইথরকপগী মমি হৌখিবা মীখলশিংদা চাউনা তারি। নগর পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোকখিবা মতমদসু মশীং য়াম্না লৈরম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী কাউন্সীলরশিং মশীং য়াম্না হন্থখ্রে। বি জে পিগী ওইনদি নগর পঞ্চায়টকী মীখলদা চাং ৱাংনা মায় পাকখি। এ দি সী মীখলদসু কোংগ্রেসকী ফীভম য়াম্না শোকখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদসু কোংগ্রেস পার্টিনা হান্না মায় পাক্লম্বা মফম কয়াদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে। মশীং য়াম্না মায় পাক্লম্বা কোংগ্রেস হন্দক্কী মীখল অদুদা ১২খক মায় পাকখি। ইন্দিপেন্দেন্টদা কারকপা কোর্পোরেটর খরা লৌশিল্লগা কোর্পোরেসন অসি শেমখিবনি। বি জে পিগী ওইনদি কাউন্সীলর...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

---

# লৈঙাক্লা ৭শুবা পে চৎনবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই: খাইদেম মনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : তরেৎশুবা পে কম্মিসন ষ্টেট অসিদসু চৎনবা ঙম্নবা লৈঙাক্লা হোৎনফম থোকই হায়না জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিওগী থৌ পুবা খাইদেম মনিনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবাপুরাদা লৈবা জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিওগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা খাইদেম মনিনা হায়খি, ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎননবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লাউথোকখ্রে। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিংদা ৭ শুবা পে চৎনরক্লগনি। মসি চৎনরকপা মতমদা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ওফিসশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তা পেগী চাউনা খেন্নবা লাক্লগনি।

মনিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদসু ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎনহনবা ঙম্নবগীদমক হোৎনফম থোকই। মনিপুরগী মফম কয়াদা দিষ্টর্ব এরিয়া লৈবনা ষ্টেট অসিদা দ্যুটি তারিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা দিষ্টর্ব এরিয়া এল্লাউয়েন্স ফংলি। অসিগুম্বা এল্লাউয়েন্স অসি ষ্টেট ফোর্সশিংদসু ফংহনফম থোকই। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তা নীংহন্নবা থোক্তনবগীদমক লৈঙাক্লা মতম চানা থবক পায়খৎফম থোকই। ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎনবা হৌখিবা মরম্না সেন্ত্রেল ওফিসশিংদদি ইমপ্লিমেন্ট তৌরক্লগনি। ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌখিবা মতমদা খেন্নবা লাক্কদৌরিবা কয়া অদু খন্নফম থোকই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

---

# ৱান্টেদ লাউথোকপা-ঙসি অমসুং হয়েং শিংজমৈ মায়কৈদা পাক শন্না ৱাকৎ মীফম ফমগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)গী হান্নগী কনভিনর খোমদ্রাম রতন ফানবা লাউথোকখিবা ৱান্টেদ অমসুং মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলিবা এফ আই আর হন্দোক্লবা তকশিল্লদুনা হয়েং অমসুং মথংগী নুমিৎতা শিংজমৈ মায়কৈদা পাক শন্না ৱাকৎ মীফম ফমগদৌরি।

জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ এনাউন্সমেন্ট ওফ ৱান্টেদ জে সী আই এল পি এস লিদর খোমদ্রাম রতন এন্দ ওন ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ আই এল পি এস, শিংজমৈ ৱাংমগী কনভিনর টি ঐচ সুভাসচন্দ্রনা পাউমীশিংদা হায়খি, পাক শন্না ফমগদৌরিবা ৱাকৎ মীফম অসি অয়ুক্কী পুং ১১দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ৪দা লোইশিনগনি। চথগদৌরিবা প্রোটেষ্ট অসি খ্বাই পূম্নমক্তা শৌগৎপীদুনা কে ঐচ রতনবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকহন্নবা খোল্লাউ লাউমিন্নসি।

মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদুদা মহাক্লা হায়খি, লৈঙাক্লা মরম চাদনা মরাল পীশিন্দুনা এফ আই আর পানশিনবা অমদি ৱান্টেদ লাউথোকপবু য়ানিংদদুনা জে এ সীনা অকনবা খোঙজং কয়া লেপ্পা লৈতনা চথদুনা লাক্লি।

খোঙজং চথরকপা থা ১ ফারক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ অমফাওবা লাউথোকপীদ্রি। মসিগী ওন্ন-তৈনবা থা অসিগী ৭কী নুংথিলদা খোমদ্রাম রতনগী মোম্থাং লম্বী অমসুং ভৈগ্যেপতি লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা ময়াং ইম্ফাল অমসুং শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী খুৎপু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথরমখি। পুলিসনা ওন্ন-তৈনবা মওংদা মথৌ তৌশিল্লগা করম্বা চার্জ অমা অমুক তৌরক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদে। *মখা লামায় ৩ কলম ৬*

---

# থৌমীশিংনা মীয়ামগী ওইবা মফম ফজহনগদবনি: চন্দ্রকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : মনিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী দিপার্ট-মেন্টশিংগী থৌমীশিংনা মখোয় মখোয়গী ওফিসশিংখক্তা থবক তৌবতা নত্তনা মীয়ামগী ওইবা মফমশিং তরু তনান্না থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবা চুম্মী হায়না ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিং তাকয়েলপাৎকী এদিস্নেল দিরেক্তর দব্লিউ চন্দ্রকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক নুপী লাল কমপ্লেক্সতা পাংথোকখিবা লম-তু শেংবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংগী এদিস্নেল দিরেক্টর দব্লিউ চন্দ্রকুমারনা হায়খি, সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংনা শীন্দুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংবু ট্রেনিং পীবগী থবকশিং চথদুনা লাক্লি। প্রোগ্রামশিং চথরকপগা লোয়ননা লু-নান্না থম্বগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি নুপী লাল কমপ্লেক্সতসু লম-তু শেংবগী থবক চথবনি।

তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামগী ওইবা থবকশিং তৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা মফমশিং ফজহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। থৌমীশিংনা মীয়ামগী মাঙ থাদুনা লমদম অসিবু লু-নান্না থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌসি। লম-তু শেংখিবা অদুদা সি এ এফ এন্দ পি দিগী এদিস্নেল দাইরেক্তর রঞ্জন য়ুম্নাম, চান্দেলগী এ দি সি সোইবম সম্ভুনাথ, অন্দর সেক্রেটরি হোম য়াসির অহমদ, ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংদা হৌজিক ট্রেনিং চথরিবা ট্রেনীশিং অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

---

# নুপীমচা ১না মীওই ৬কী চাকখাউগী লাল মায়োক্লহৌরি : ইপাক

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমনা ইনখৎলকপগী অকে-অমৌ পূম্নমক থাদোক্লগা ফম্মুংদগী হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদ্রবা অপোকপা অমসুং অপোকপী য়াওনা ইমুংগী মীওই তরুক থাকপদা মতেং ওইনবা ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) মণিপুরনা ঙসি শেল য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে।

চাকখাউগী লানফম মায়োক্লরিবা ইমুং অদু ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৭ চৎলগা লৈবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোইজুমান ময়াই লৈকায়দা লৈবনি। যুম্বুরেম্বা অদুগী মমিংনা সোইবম চাওবা (৬৩) কৌই হায়রি।

ইপাককী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে ভাস্কর মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইমুং অদুদা থেংনরিবা অৱা-মৈশা খম থেংনা লায়রবা ওইরুবখক নত্তনা ইমুং অদুগী মচিন-মৌপ্পা অহুমগী অপোকপা-অপোকপী অনীমক ঙসিদগী চহী ৬কী মমাঙদগী ফমুংদা য়াতাদুনা লৈরক্লবা অনাবা ঙাক্তনি। শোইবম চাওবা হৌজিক পেরেলাইসিস তৌবা খক নত্তনা ব্রেনগী অনাবা লৈরিবনি লোয়ননা সোইবম চাওবগী লোয়নবী সোইবম ওংবী মেমচা দেবী (৫৭)সু চহী ২গী মমাঙদগী ষ্ট্রোক তৌবদা নত্তনা কিদনি নাম্মা ফঙ্কসন তৌবা ঙমদনা, নাম্মনা নুঙ লৈদুনা য়াম্না অৱাবা ফীভম অমদা লৈহৌরি।

পলেম-পন্থৌ অনীনা ফম্মুংদা অনাবা মৈচাক খাংদুনা লৈরগা



চাকখুমগী মৈ মুত্তনবা হোৎনবদা মচানুপী অহল এস কাননবালা (২০) অমদি মনাওনুপী এস শঞ্জিতা (১৭) অনীনা মীগী খুলং চত্তুনা নোংমগী চরা তালহৌরি। কাননবালানা অপোকপা-অপোকপী অনীগী অৱা-চৈনা, নোংমগী হীদাক লাংথক্কী মৈশা, ইমুংগী পোৎলুমগী মৈশা কয়াসিদা মীৎলুদগী পিরাং শিন্থদুনা ইচন অসিনা থেংনরিবা অৱা-মৈশাশিং পাউদম্লকখি হায়রি।

কাননবালা সী আই কোলেজদা সিক্স সেমিষ্টরগী ইগজাম পীখ্রে। মনাওনুপী শঞ্জিতা লাইরিক তম্বা ঙমদ্রে। মৌপ্পানুপা সোইবম ইন্দিভাস ক্লাস নাইন তম্লি। পীক্লবা য়ুমদুদা মবোক সোইবম তোনসনা (৭৮)কা পুন্না মখোয় তরুক লৈমিন্নরি। মশাগী য়ুমদা ট্যুসন তৌফম লৈতদুনা থংনবা য়ুমগী শুমাং ৱায়দুনা অঙাং ৮/৯ খক ট্যুসন তৌদুনা খরদা ওইরবসু য়ুমগী লৈত-লায়রদা মতেং পাংনবা হোৎনরি।

য়ুমদুগী মীওই তরুক্কী পূকচাক্কী লালগী মরক্তা পলেম-পন্থৌ অনীগী অৱাবগী পোৎলুম খূদিংমকসু মহাক্লা পুরি। নুপী অমা ওইবগী থোৎ-নৌজবা, কেজ-মৌজবগী ৱাফমদি লায়রদনা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

---

# লোক অদালট পাঙথোক্তুনা কেস ২৯৪ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : মনিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মালসা)না শীন্দুনা ঙসি থৌবাল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল, চান্দেল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা নেসনেল লোক অদালট পাঙথোক্তুনা অপুনবা কেস ৭৬১ গী মনুংদা কেস ২৯৪ লোইশিনখ্রে।

নেসনেল লোক অদালট অসিগা মরী লৈননা মনিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা হায়, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট নত্তনা অতৈ মথক্তা পল্লিবা মফমশিংদা লোক অদালট পাঙথোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা লোক অদালট অদুদা ইলেক্ট্রিসিটি, ৱাটর, রিভিন্যু, ফেমিলি অমদি বেঙ্ককা মরী লৈনবা কেস পুন্না ৭৬১ গী মনুংদা কেস ২৯৪ লোইশিন্দুনা অপুনবা শেনফম লুপা ৬৪,৩৩,৯৮০ খোমগৎপা ঙমখি। বেঙ্ক য়াওনা কেস কয়া লোক অদালটতা য়ান্নখিবা হায়বসি ফাইনেলনি। মায়কৈ অনীমক্তা কান্নবা পীবা ঙম্মী। অদালট অসিনা মতম চঙদবা, শেল তিংদবগী মথক্তা কেস লেপ্প রিবা মায়কৈ অনীগী মরক্তা শাওনদবা ওইগল্লি। মীয়াম্না ইশা ইশাগী কেসশিং লোয়শিন্নবা লোক অদালটতা লাকপীয়ু হায়রি।